থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং অমসুং পেন্দমিক

থা অনীগা নুমীৎ তরানিমুক্কী মমাঙ, দিল্লিদগী ঈচানুপা কৌথোকখিবদু, দিল্লিদা কন্ট্রোল ঙমদনা হেনগৎলকখিবা কোভিদ-১৯-পোজিটিভ-কেস মশীং, কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি হোস্পিটালশিংদা থম্ফম লৈত্রবা অনাবশিং, ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপদগী হোস্পিটালদা অমদি পাকখন খনবা কোভিদ-ক্যের সেন্টরশিংদা খপ-খপ চিংলিবা অনাবশিংগী শক্তমশিং সোসল-মীদিয়াদা উরুবদগী পাখৎখিদুননি। আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওই হায়বগী রিপোর্ট য়াওদনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট'তা পাইরকপা য়ারোই হায়দুনা চেকশিন-থৌরাঙ লৌখৎখিবদুনা, দিল্লিদা টেষ্ট তৌফম চিনমনখিবনা নুমীৎ কয়ানি লাকপা য়াদদুনা কোলকাতা ফাওবা পাইরক্লগা, কোলকাতাদা টেষ্ট তৌরগা থোক্লকখি। অদুগুম্বা সহর (য়ুনিয়ন টেরিটোরি) দু ঙসিদি কোরোনাগী মীপাইবা পোক্লখিদ্রে। মীওই ক্রোর অহুম-মখায়রোম লৈবা লমদুদা নহান (জুলাই ২০, ২০২১) মীওই ৬৩,০১৯ টেষ্ট তৌবদা ৪৪ খক পোজিটিভ ওইখি, ৫ শিখি, এক্টিভ কেস ৫৬৯ লৈখি। লাখ কুন্নিপান-কুনমাপনলোমখক লৈবা ষ্টেটসিদনা জুলাই ২১ দা ৬৮৫২ টেষ্ট তৌবদা ১৩২৭ পোজিটিভ ওইরগা ১৫ মপুন্সি মাঙখি। মণিপুরদা হৌজিক এক্টিভ কেস ১০,৩৪৭ লৈরি। দিল্লিগী হোস্পিটালশিংদা কোভিদ'না নারবা মীশিংগীদমক ফমুং ১২,৭২৯ অখন্ননা থম্বদু ৩৩৩ খক ওক্যুপায় তৌদনা লৈ, হায়বদি ফমুং ১২৩৯৬ হাঙলে। মফম খরদা দেদিকেতেদ কোভিদ ক্যের সেন্টর ১৭৭ হাংদুনা থম্বদুদা অনাবা অমা ফাওদা লৈতরে। পুমহাঙ হাঙলে। জুলাই ২০, নুমীত্তুদা কোভিদ তিকা ২৫,৯৮৫ কাপখি (অহানবা ফেজ ১৬,৭০৪, অনীশুবা ফেজ ৯২৮১)। নুমীত্তুফাওবদা তিকা থাখিবা মী মশীং ৯৩,৬৭,৮০০ শুখ্রে (অহানবা ৭১,৪২,১০৬, অনীশুবা ২২,২৫,৬৯৪)। অপূনবা পোজিটিভ কেস ১৪,৩৫,৬০৯, ফগৎলকখিবনা ১৪,১০,০০৫, শিখিবা মশীংনা ২৫,০৩৫ (শিখিবা রেৎ ১.৭৪%), এক্টিভ কেস ৫৬৯। অসুম্না নুমীৎ খূদিংগী অকুপ্পা রিপোর্ট অসি থাদোকই। অদোমগী ফোনগী হ্বাতচএপ এক্কাউন্ত'তা মণিপুরগী কোভিদ-১৯-অপদেত-ইনফোর্মেসন থাগৎনরক্লিবদুগা অনীগী খেন্নবদু য়েংবীয়ু। দিল্লি সরকার অমদি মণিপুর সরকার অনীগী খেন্নবদু উগনি। গভর্ণমেন্ট পায়রিবা লুচিংবশিং অদুগী সিরিয়সনেস, মথৌ-মওম মশক খঙবা/ খঙদবা অদুগী মখা পোল্লি — গভর্ণমেন্ট অমা ইফিসিয়েন্ত ওইবা নৎত্রগা ওইদবা। ইন্দিয়াগী ষ্টেট পুম্নমক্তনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন থোক্লকওঁদগী, লাইচৎ অসিগীদমক অদুক হাক্লা নুংনাংনিংঙাই ওইরক্ত্রবা, কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা পোক্লরক্লবা মতমসিদা, মণিপুরদনা লাক্লবা ঙমদা হেনগৎলকপগী মওং অমা ওইরক্লিবসি, ঐদি খল্লি-লৈঙাকসিনা থোকহনবনি। হোস্পিটাল মশীং হেনগৎহল্লিবা, হেল্থ সেক্তর ফগৎহল্লিবা, লায়েঙ পথাপ চাওখৎহল্লিবসি- অনাবা মশীং হেনগৎহন্নবা, রোদ-এক্সিদেন্ট-অশোক-অপন হেনগৎলকপদু লায়েঙনবা নত্তে। দেদিকেতেদ-কোভিদ-পেসেন্ট হোস্পিটাল শেমগৎপা, ফমুং মশীং হেনগৎহনবা, ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎহন্দবা- অসিনচিংবসি কোরোনা পেন্দমিক লাকশিন্নবা পান্থৈ নত্তে। অনাবদু লায়েঙবা-তঙায়ফদবা অমা ওইরবসু নাহন্দনবা হোৎনবা, অমদি শন্দোকখিদনবা হোৎনবা হায়বসিনা, পেন্দমিকসিগী ওইনদি হেন্না মরুওইবা থবক অমনি। মতাঙসিদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী থৌমী নত্তবা, লৈঙাক্কী অতোপ্পা শিনশঙ কয়াগী (অপান্ননা পলহনবীরনু) শিন্মীশিংগী থৌদাং চাওই। মীচম মীয়াম ঐখোয়গীসু হেন্না চাওবা থৌদাং লৈ। ৱাখল মপুম-ফাদবা, য়ুথকপা প্রজাশিংতবু চৈবনা কোরোনা কন্ট্রোল তৌবদা করিসু মতেঙ ওইরক্লোই। ষনবুনা অঙাওবা ষন লাকপগুম, ৱাখল তাদবা প্রজাবু ৱাখল তাহনবা, লৈঙাকসিগী মথৌনি।

মরম অসিনা, লৈপাকসিনা কাং-খোং চাইরকপা, লায়রবা মশীং হেল্লকপা, ঈনাক খুনবা খুজোক অমনা লৈঙাক কন্ট্রোল তৌরকপা, লৈঙাক লৈ খঙলক্তবা, প্রজানা তৌনীংবা তৌরকপা... অসিনচিংবা উহৈদবা/ য়েংহৈদবা ময়ামসিনা তাকই- লৈঙাক হৈতবা লৈঙাকপনা লৈপাক ঙাকপা লমদমনি ঐখোয়না লৈরিবা ঈরৈপাক। অদুবু, অসিগুম্বা লৈঙাকসি লাই ফত্তবা অমনা ঐখোয়' ঈরক্তা লাক্লগা শেল্লমখিবা নত্তে, শেমখিবনি ঐখোয়না। লৈঙাকপা ওইনা এসেম্ব্লী'দা/পার্লিয়ামেন্ট'তা ফল্লিবশিংসে, তারকপা নত্তে লাইরৈপাক্তগী। ঈরক্তগী থোকখিবনি, ঐখোয়গুম্বা ঙাক্তনি। ঐখোয়না শেন্বা লৈঙাকনি। অফবা লৈঙাক ওইদ্রিবা ঐখোয় ফত্তবননি। ঐখোয়না অফবা ওইরম্লবা, অফবা লৈঙাকপা থোরক্লমগনি। পোলিটিক্স ইজ এ দর্তি-গেম, (রাজনিতি হায়বসি অমোৎপা মশান্না অমনি) হায়না থাজহন্দুনা ঐখোয়বু 'পোলিটিক্স' হায়বা, শিনফম পূম্নমক্তগী খ্বাইদই হেন্না মরুওইবা শিনফম অসিদগী লাপথোক্লা লৈনবা, শিনফমসিবু পামদনবা হোৎনদুনা লাকখি মমাঙগী মীরোল অদুনা। মচাশিংবু ডোক্তর-এঞ্জিনিয়র-ওজা ওইহন্নবা হোৎনরগা, 'রাজনিতি হায়বা থবকসিদদি তৌরুনু' হায়দুনা অহকপা য়াথং তৌরকখি। পোলিটিসিয়ন হায়বসি মপুক শেংদে, ওইদবা ঙাংই, মীনুংশি খঙদে, শেল চায়, শেল হাৎলি... হায়বনচিংবা ইমপ্রেসন অসি পোকহন্দুনা লাকই। পোলিটিক্স হায়বসিসু শিনফম অমনি, মচাবু মী ওইনবা শেন্লগা অফবা পোলিটিসিয়ন অমা ওইহনগে হায়বসি মপা-মমা ওইবশিংগী ৱাখলদা পোক্লদে। অদুগা অমরোমদা, পোলিটিক্সকী মহাও খঙলবা পোলিটিসিয়ন অমনদি মাগী ঈমুং-মনুংগী মী পুম্নমক পোলিটিক্স তৌহন্নিংই। মরম অসিনা, খ্বাইদগী তোনবা পীকপদগী পীক্লবা লৈঙাক্কী পোষ্ট অমদগী খ্বাইদগী চাওবা, অৱাঙবা পোষ্ট ফাওবদা থবক চঙনবগীদমক মিনিমম এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসন দরকার ওইহল্লম্লগা, লৈপাকসিবু শেল্লিবা মীয়ামগী লাইবক লেপ্লিবা শিনফম পুম্নমকতই অথোয়বা, 'লৈপাক-ঙাকপা' হায়বা শিনফমসিদা চঙনবগীদমক্তি মিনিমম/ইসেন্সিএল/ দিজাইরেবল ক্বালিফিকেসন অমদি এজ-লিমিত থমলমদ্রিবনি। মমিং ফাওবা ইবা হৈতবা মীশক অমনা ভোৎ লেপ্তুনা কারক্লগা চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াই (বিহারগী লালু প্রসাদ যাদবকী লোয়নবী রাব্রি দেবীনা খুদমনি)। করিমত্তা তৌরক্তবা, করিমত্তা খঙদবা অমনসু শেল-পায়বা/মীবু য়ানবা চৎলবা, ভোৎ লেপ্তুনা কারগা মমিং চৎপা পোলিটিসিয়ন ওইবা য়াই।

ফাদর ওফ দ নেসন, নীংতম্বা-ইন্দিয়া অসিগী লৈঙাক্লোনগী য়ুম্ফম থোল্লম্বা 'মহাত্মা গান্ধী'না মহাক্কী মচা-মশুশিংবু পোলিটিক্স'তা খোঙ থাংজীল্লক্তনবা অচেৎপা ৱা হায়রম্লগা, মহাক্কী তুংইনবা ওইখিবা জৱাহরলাল নেহরুদি, মচানুপী ইন্দিরা প্রিয়দর্শিনি'বু (মপুরোইবা 'ফেরোজ ঘান্দি'গী মিং 'ফেরোজ গান্ধী' ওন্থোক্লগা), অৱায়বা শাগৈ অমগী মিং শীজিন্নদুনা মচা-মশু-শূথাঙ ফাওবা পোলিটিক্সতগী লাপথোকপা য়াদনবা লম্বী অমা য়াৎলম্মী। মাগী খুদুং ইনবা পোলিটিসিয়ন কয়া থোক্লকই। খেন্নবা অসি করিগীনো? ৱাখলনা লাম্বা ৱাদবনি। রুল্লিং-ক্লাস অমদি ওপ্প্রেস-ক্লাস (অঙন্বশিংগী কাঙলুপ/নৈহৎপীরবশিংগী কাঙলুপ) হায়দুনা কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লম্মী। লায়রবশিংবু হেন্না হেন্না লায়রহনবা, অঙম-অথৌ কাঙলুপ্তুবুনা হেন্না ঈনাক খুলহনবা- পোলিটিসিয়নশিংগী থৌশিলনি। থৌশিল অসি খঙদনা, অমম্বদা লৈরুবনা, ঐখোয়না, পোলিটিক্স হায়বা শিনফমসি অফবা মীনা পায়রোইদবা, হুরান-চীন্থি হৈনবা মীশিংতনা পায়গদবা শিনফম ওইনা খল্লকপনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক'না মশক পুমওন ওলহল্লবা খুন্নায়লোন অমদি পুন্সিরোল অসিদা ওইজবা-থিবা লৈঙাকপশিংগী মফম লৈতে। লৈঙাক্লোনসু মশক হোংদোকপা তাই। কন্সতিত্যুসন নৌনা ইথোকপা তাই। মশক খঙলবা, মথৌ-মওম লৈ/লৈতে খঙলবা লৈঙাকপশিংসি শিন্দোকসি। থাবুম তরেৎ ফারক্ত্রে, লায়রবা মীয়ামগী য়েক্লবা লৈঙাকসিগী মপুন্সি লোইদুনা অনৌবা লৈঙাক শেমগদবা। থাজবীয়ু, কনানা করিনো মশানা শক্তাকচখ্রবা, য়াঙলেন শরূ পান্দবা শাগা পাঞ্জক ওইরবা হান্নগী লৈঙাকপশিং অসিবু অমুক হন্না ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা লৈপাক ঙাক্লুবা থাগৎলক্লবা করিগুম্বা, শোয়রোই-ঐখোয়গী ঈরৈপাক প্রলয়গী মৈরীরক্তা লংশিনবগা মান্নগনি।

মমি ৱারী

## বুশো রাজকুমার





রেনপাং খোঁপুম লম্বীরোমদা ঈশিংফাইবীনা ইরোইগী হকচাং চাম্থোকপগীরি। মীওইবগী অৱাবগী অরাম্বদি কননা ওল্লি।

**Busho Rajkumar is from Keishamthong, Imphal.**


# নোরোভাইরস অমসুং কোভিদ-১৯

লৌশিং পুক্কে

## লাইওংশিংগী মরক্তা খেন্নবা করম্না খন্দোক্কদগে

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক অসিদা নোরোভাইরস কৌবা অনৌবা ভাইরস অমনা অমুক মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না চাউনা অমাঙ অতা থোকহনবা হৌরক্লি। হৌজিক ফাওবদা ইংলেন্দদা ভাইরস অসিগী কেস ১৫৪ থেংনবগী রিপোর্ট লৈখ্রে।

ভাইরস অসিনা মীওইবগী হকচাংদা ইনফেক্সন তৌহন্দুনা মসিনা য়াম্না অকনবা মওংদা ওবা-ফায়বা তৌহনবা য়াই। ভাইরস অসি মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপা ঙমই অমদি মহীক পক্লবা পোৎ-চৈশিংদগীসু শন্দোকপা ঙমই। ব্রিটেনদা হৌখিবা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা কেসশিংগী মশিং শরুক অহুম হেনগৎলকখ্রে, মসিনা মরম ওইরগা মিপাইনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা ওইরকপা য়াবা হীরম অমা ওইহল্লে।





হৌজিকমক্কী ওইনদি ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা মসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী লাউথোকপা লৈত্রি। অদুবু নোরোভাইরস করিনো হায়বসি চপ চানা খঙজিনবা অমদি কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগা মসিগা করিদা করিদা খেন্নবগে খঙজিনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফৈ। নোরোভাইরস অমসুং কোভিদ ইনফেক্সন অনী অসিগী মরক্তা মান্নবা লাইওং কয়া লৈবা মরম্না মীওই অমনা হেক্তা য়াম্না লায়না চমম্লবা পোকপা য়াই।

নোরোভাইরসনা য়াম্না শাথিবা চাংদা দিহাইড্রেসন তৌহনবা য়াই মরম অদুনা অতোপ্পা কমপ্লিকেসনশিং থোক্লক্তনবগীদমক মতম চানা খঙদোক্তুনা লায়েংহৌগদবনি। ভাইরস অসিগী ময়েক শেংবা, য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্বা লাইওংশিংদি খঙহৌদনা ওনীংবা ফাওরকপা, হকচাং শাগৎপা, পূক নাবা, খোঙ-খুৎতা য়াম্না নাবা, ওবা-ফায়বা লেপ্পা নাইদনা তৌবা অসিনচিংবশিংনি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না, ভাইরস অসি মওং অহুমদা শন্দোকপা ঙমই, মওংশিং অদুদি- অনাবা মীওই অমগা হকথেংননা কন্টেক্ট তৌরুবা, ভাইরস অসি য়াওরবা ঈশিং নৎত্রগা চীঞ্জাক চাবা-থকপা তৌরুবা নৎত্রগা মহীক পক্লবা পোৎলমশিং পায়রুবা অমদি হামদবা খূৎনা চীন নৎত্রগা নাতোনদা থেংনরুবা অসিনচিংবনি।

নোরোভাইরস ইনফেক্সননা চাকখাউ অমসুং থীরিলদা ইনফ্লেমেসন তৌহল্লি, ফিভম অসিবু গেষ্ট্রোইন্টরাইটিস কৌই।

নোরোভাইরসনা ইনফেক্ট তৌরবা মীওই অমনা ভাইরস পার্টিকল মিল্লিয়ন কয়া মপান্দা পুথোরকপা/থাদোরকপা ঙম্লগসু খরখক্তংনা অতোপ্পা মীওইশিংবু নাহনবা ঙমই।

নোরোভাইরসকী ওইনা লৈরিবা খুদোংচাদবা অমা হায়রগদি কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিংদসু নোরোভাইরসকী লাইওংশিংগা মান্নবা লাইওংশিং, হায়বদি - লাইহৌ, লোক কংখু, কোক চীকপা, ওনীংবা, ওবা অমদি ফায়বা অসিনচিংবশিং মায়োক্লবা য়াই।

মসিনা মরম ওইরগা লায়না অসিগী মরক্তা করম্বনো হায়বদু খন্দোকপদা লুনা থোকপা য়াই। অদুবু অনী অসিগী মরক্তা মান্নদবা সিম্পটম খরদি লৈতবা নত্তে। ভাইরসশিংগী মরক্তা মরক্তা খেন্নবা খন্দোক্লবগী পান্থৈশিংগী মতাংদা মখাদা পীরি।

নোরোভাইরসনা অনম্বনা এদল্টশিংদা ইনফেক্সনশিং থোকহল্লি, অদুগা এদিনোভাইরস অমসুং এষ্ট্রোভাইরসনদি পীক্কি বা অঙাংশিংদা ইনফেক্সন তৌহল্লি।

কোরোনাভাইরস অমসুং নোরোভাইরস ইনফেক্সনশিংগী মরক্তা খেন্নবা খন্দোক্লবগীদমক্তদি অপ্পর রেস্পিরেটরি সিম্পটমশিংদা য়েংবনা খ্বাইদগী ফৈ। খুদম ওইনা মনম অমসুং মহাও মাঙবগী লাইওং অসি কোরোনাভাইরসখক্তংগীনি নোরোভাইরসতদি লৈতে।

কোরোনাভাইরস অমসুং নোরোভাইরস (ষ্টোমাক ফ্লূ)গী মরক্তা মান্নবা সিম্পটম কয়া অমা লৈরগসু, কোভিদকী ওইনদি অপ্পর রেস্পিরেটরি সিম্পটমশিং খুদম ওইনা লোক খূবা অমদি মনম-মহাও মাঙবগুম্বনা হেন্না থেংনগল্লি।

কোভিদ-১৯না নাবদা থবাক নাবগী লাইওং থোকহনবা য়াই, মসি ষ্টোমাক ফ্লূগী লাইওং অমা নত্তে। নীংশা হোনবা ৱাবা হায়বা অসিসু কোভিদ-১৯গী খুদম অমনি, অদুবু নোরোভাইরসকীদি ওইদে।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে, ইনফেক্সন অমা হেক্তগী লাইওংশিং মায়োক্লরকপগা দোক্তরদা য়াম্না থুনা লায়েংথোকহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফৈ। করিগুম্বা মদু নোরোভাইরস ওইরম্লবদি, নোরোভাইরস ইনফেক্সনগী ওইনা দিহাইড্রেসন হায়বসি তশেংনা মিপাইনিংঙাই ওইবা মরম্না মহী-মনাই য়াম্না থক্কদবনি। মীওই অমা নোরোনাভাইরসতা এক্সপোজ তৌরুরগা পুং ১২-৪৮গী মতুংদা লাইওংশিং উৎপা হৌরক্কল্লী, অদুগা নুমিৎ ১-৩দা ফগৎলক্কল্লী।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি লৈঙাক অমদি মীয়াম পূন্না হোৎনামিন্নবা মথৌ তাই



হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া অশিবগী খয়াৎতা তাহনখ্রে। পুম্নমক অসি লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলবগী মতুংদা ওইরকখিবনি। করিগীদমক লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবনো হায়বসি কূপ্পা য়েংমিন্নবা অমা মথৌ তারি। কোভিদকী কন্না মীপাইরিঙৈদা লৈঙাক্লা পুলিস কন্সটেবল খরা লৌননবা পাউ তাবদা (লৈঙাক্কী অশেংবা ওর্দরদি উদ্রি) থোইদোক্লা নুংঙাইজে। থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগী অফবা খোঙথাং অমনি হায়জনিংই। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি, ঙসিগী লৈবাক অসিগী ওইরিবা ফিভম অসিদা হোম দিপার্টমেন্টনা এদভর্টিজমেন্ট থোক্তুনা পুলিস কন্সটেবল খরা লৌগনি হায়রিবা অসিবু মরম চারিব্রা। অমুক্তং খন্থহঞ্জনিংই। করিগুম্বা পোষ্টশিং অসি য়াম্নমক তঙায় ফদনা মথৌ তারে হায়বা তারবসু অনৌবশিং লৌবগী মহুত্তা হান্নগী ইন্টর্ভিয়ু অমদি ভিভা ভোসিনচিংবদি লোইখ্রগা ঙসি ফাওবা হায়দোক্তনা থল্লিবা আই আর বি অমদি হবিলদারশিংগী পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ুশিংগী রিজল্ট হায়দোকপীরগা তঙায়ফদ্রবা অহাংবা ফমশিং অদু মেনশিনবীদুনা মতম মতমগী য়ানবা লৈঙাক্লা শীনবীরবদি পূম্নমক্কী শাফবা হায়বদু ওইগনি।

❒ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং-১৪

### কোভিদ লাইচৎতা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা লৈঙাক্লা লৌবূক মায়কৈদসু মীৎয়েং থম্বীরো



জুন-জুলাই হায়বা থা অসি লৌউ পম্থানি। লৌমী অয়াম্বা মখূত্তা খূৎলায় পায়দুনা লৌরাং শুরুনবা অতিয়াদা য়েংখৎতুনা নোং চুরকপা ঙাইদুনা লৈনরে। অদুবু নোংদি মপূং ফানা চুরকপা হায়বদু ওইদ্রি। অকংবা লৌফমশিংদা হুল্লুবা ফৌসু নোং চুরক্তবনা মতোন থোকপা ঙমদনা কংশিল্লক্তুনা মাঙবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা নীংবা কায়দুনা লৈরবা মতম অসিদা কোভিদ লাইচৎতগী খজিক নাথৈরগা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৌবূক্কী মায়কৈরোমদা মায় ওনশিলহন্নিংই। কোভিদ-লাইচৎনা মীয়ামা পূম্বা শোন্দম নান্দমদুনা লৈরবা মতমসিদা নোং চুরক্তবা অসিনা অমুক্কা হেন্না অৱা-চৈথেং হাপকৎলকপা হায়বদু ওইরে। জুলাইগী থাখায় হেঞ্জিল্লক্তুনা লৌ উবগী মতম তেনশিল্লক্লে হায়বা লৈঙাক্লা খঙবীদুনা খরা থেংলবসু ঐখোয়গী লৈজরিবা পাৎ, তুরেলশিংদগী পম্পকী মতেংনা লৌবূকশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা শিনবীনবগী থৌরাং থৌশীল পায়খৎপীবা মতম ওইরে। লৌমীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা লৌবূক্তা শীজিন্নগদবা, ইঞ্জিনদা হান্নবা থাওগী মমল হন্থনা লেপ্পীবা য়াই। হার, তিলহাৎ হীদাক, নাপী হীদাকনচিংবা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা মফম খূদিং ফংহন্দুনা লৌমীনা মতম মাঙদনা কোম্না ফংজনবা শীনবিবা মথৌ তাই। লোয়ননা চাকথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি হায়না লাউথোকপীদুনা লৌমী নখোয়গীদমক লৈঙাক লৈরি খঙহন্দুনা কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা শোন্থরবা লমদম অসিগী লৈত-লায়রবা লৌমীশিংদা পাঙ্গল হাপ্পীরবদি লমদম অসিগী লৌমীশিংনা অপেনবা হায়বদু ওইগনি হায়না খল্লি।

❒ এল ইবোমচা, তাওথোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০৭।২০২১ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ১০.৪৪ ফাওবা ইঙেনগী ১৪নি পাল্লি, মতুং থানিল ওইরনি।



মেষ: অফ-ফত্ত য়ান্নবা নুমীৎনি। অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি থবক থৌরম শীন্দোকপা হৈগনি। অশাওবা অমদি নাপল ফাথরদি হেন্না ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-ঙাংথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।



বৃষ: লৈজবা লৌশিং অমদি খাঙবা কনবা/থিবা হুম্বনা কয়াম কান্নগদগে য়েংগদবা নুমিৎনি। খন্থদনা অমদি লৌশিং চাওবগী ৱা তাদনা থৌ পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



মিথুন: লাইবক ফবা অমদি নীংবা মপা চাবা নুমীৎনি। মীয়ামগা লোয়ননবা অমদি অচুম্বনা মাঙওইনরগা চৎনবা হোৎনৌ। শকখঙদবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



কর্কট: কোক শাবা অমদি ফিংবনা মাঙজবা য়াবা লৈ-তপথৌ অমদি নাপল থাদোকউ। মীগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি মরুপ অফবা ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



সিংহ: খোয়রাংবা ফাথৌ-নত্রদি মরুপতা নত্তনা নথক থোংবনা তাথিবা য়াই। খুরৌ থাংবদি লৈরোই, ফম/লন ফংগনি অমদি ঙাং-শকপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবদা ঙমগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা



কন্যা: নুংঙাইফম ইখঙ খঙলোই। মীৱা থোইনা থাজগনু অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুনু। অরুবা মফমদা নশাগী অনীংবা ফোঙদোক্তবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



তুলা: মীৱাদা হেন্না থাজগনু অতৈদি ঙম্নমক মায় পাক্কনি। অনৌবা আশা অমদি থৌরম লাক্কনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি অমদি ইচং থৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



বৃশ্চিক: হকচাংদি নুংঙাইবা হেনগনি, থৌনা ফুদোক্লা থবক পাঙবা য়াগনি অমদি য়েক্লবা হন্থগনি। অদুবু অনম তানবা অমদি হোয়া ফবদি মতাং চাদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



ধনু: নীংবা শোয়দনা থুংগনি অমদি মীচঙ খরা হেনগৎপগুম নুংঙাইবা ফাওগনি। অদুবু কল্লকপা অমদি য়েংশিনবদি য়াম্মী। লৌশিং চাওবগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।



মকর: অচুম্বতনা মায় পাকই হায়বা নুমীৎনি। চিংনবা অমদি হুরানবনা নচা-ননাই কায়নহনবগী নুংঙাইতবদি লৈ-চেকশিল্লু। থবক্কীদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



কুম্ভ: অঙম্বা অমদি মরুপকা ৱাখল মান্নদবা লৈগনি-ঈরাং পুগনু। ইমুং-মনুং ৱাতান্নবা অমদি নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিনবদি মায় চাওনা পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।



মিন: নচা-ননাই চাওখৎপা, থৌনা ফুদোকপগী কান্নবা ফংবা অমদি মরুপ অফবগী মতেং ফংজবা নুমীৎনি। থিবা হুম্বা/য়েৎনবগী মরমদসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।